# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-04-2026)**

**ইন্টরনেসনলে (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদা শান্তি রক্সাগী ফিভম অসিগী য়েংলগা মরী লৈনবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটদনা ঙরাংদগী মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে।

অমরোমদা, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা রাজ্যগী হোম বিভাগনা হায়রিবা জিলাশিং অসিদা ঙরাংদগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিনখ্রে।

**বন্দ(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা বোম পোকখায়হন্দুনা অঙাং অনি লৈখিদবা অদুদা শোকখিবা মমা অহানবা তাঙ্কক্কী ওপরেসন লোয়রদুনা হৌজিক ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমগী আই.সি.য়ুদা লৈরি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মায়কৈ কয়াদগী লাকখিবা খোইশাউনরবা মীয়ামনাত্রোংলাউবী মনিংগী গেলমোনদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী কেম্পতা থোমজিল্লক্তুনা মীচম প্রজাশিং ঙাকপা ঙম্লোইদবা ওইরবদি মফম অসিদা লৈবিরনু হায়না খোঙজং চংশিনখি। মদুদা মুকবা থোকপদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই অনি শিখি, ২৬ না অশোক অপন নংখি।

থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীয়ামনা ঙরাং অহিং অথেংবদা ফাওবদা খোঙজং চংশিনখি। মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ উন্নগনি হায়না লাকখিবা মায়কৈ কয়াদগী য়াল্লবা মীয়াম মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মফম কয়াদা চাউনা মুকবা থোকখি।

ঙরাং অয়ুক্তগী হৌনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা মীয়ামনা লম্বী ময়াইদা উ-ৱা

ফৈজিন্দুনা অমদি টয়ার মৈ থাদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংখি। কৈথেলশিং থোং লোনখি, ঙসিসু কৈথেলশিং মহৌশাগুমা মী কান্নদ্রে। লম্বীদা মী চৎপগী চাং হন্থরে। ইরাংশিং অসিগী য়েংলগা মহে লোইশঙশিং ছুতি লাউথোকখ্রে।

**মিতিং (এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা চেন্নবশিং হিংনা নৎত্রগা শিনা পুথোকবা সেক্যুরিতি ওফিসারশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা খঙহনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা শ্রী য়ুমাম খেমচান্দনা লচিংদুনা অৰাংবা থাক্কী সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ত্রোংলাউবী থৌদোক মতুংদা ওইরক্লিবা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম কুপা খন্নখি।

খন্নবা অদুদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ, দি.জি.পি. রাজিব সিংহ, অসাম রাইফলস অমসুং সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

মদুগী মমাংদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটতা রাজনিতি দলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

**কন্দেম (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৰাং লৈকাইতা চখুরকখিবা এত্তেক্টতা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মখোয়গী মমানা অশোক অপন নংখিবগী থৌওং অদুবু রাজ্যপাল য়াওনা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

তাংখুল নাগা ফুদ হিলস ওর্গনাইজেসন, সেন্ত্রেল ৱার্কিং কমিতিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়-সি.আর.পি.এফ. কেম্পতগী মিটর ২০০ রোমতমক চৎলগা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমদা বোমনা লান্দাদুনা চহি নৌরিবা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মখোয়গী মমাবুনা তমথিনা শোকহনখিবা

থৌওং অসি য়ামা পাংদবগী থৌওংনি। লোয়ননা খুৎলায় পায়দবা খোইশাউনরবা মীচম মীয়ামনা খোঙজং চংশিল্লকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপশিনখিবদা মীওই খরা লৈখিদবা অমদি মীওই কয়ানা অশোক অপন নংহনখিবা থৌওং অসিসু লাইবক থিবনি।

**থাং-তা (এল)ঃ** এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভরসিতিগী মীৎয়েং মখাদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা য়ুম্বু ওইদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী ডাক্তর কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়ুনিভরসিতি ২৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভরসিতি থাং-তা কম্পিটিসনগী ঙরাং নিনি চনবা নুমিৎতা নুপা কাংলুপকী কিলোগ্রাম ৪৬ মখাগী চাংদমবদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এন. লনচেনবনা সনাগী তকমান লৌরে। কিলোগ্রাম ৫০ গী কাংলুপ্তুনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী থোইবা নোংথোংম্বমনা অমদি কিলোগ্রাম ৫৪ গীদসু ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী নেক্সন অঙোমনা সনাগী তকমান লৌখি।

নুপীগী কাংলুপ্তুনা-কিলোগ্রাম ৪৪ গীদা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী লীক্লা চনু মোইরাংথেম, কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাংলুপ্তা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিগী মনোরামা য়ুমাম অমদি কিলোগ্রাম ৫২ গী কাংলুপ্তুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী কে. থাজা চনুনা সনাগী তকমানশিং লৌখি। টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৯ ফাওবা চত্থগনি।

**ভোটঃ** অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরি বিধান সভাগী মীখলগী ভোট হয়েং থানরগনি। মীখল অসি নিয়ম চুমা অমদি শান্তি ওইনা পাঙথোকবা ঙমনবা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলি।

অসামগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১২৬, কেরলাগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৪০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুদুচেরিগী সিট ৩০ গী মীখল তাংকক অমখক্তদা হয়েং ভোট থাদনগনি।

পুদুচেরি অমসুং কেরলাদসু লুচিংবা কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোট খোমখি। রাজ্য অনি অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি অমসিগী ভোট হয়েং থাদনগনি।

মরক অসিদা, তামিল নাদু বিধান সভাগী অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্কী স্ক্রুতিনি ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ঙসি মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। তামিল নাদুগী সিট ২৩৪ অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা কেন্দ্র ১৫২গী ভোট থা অসিগী ২৩ দা থাদনগনি।

**ইরানঃ** মপান থৌরম মন্ত্রালয়না ইরানদা লৈরিবা ভারত মচাশিংদা চেকশিন্না লৈননবা খঙহনখ্রে।

ইরানদা থোক্লিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অদুদগী লেংদনা লৈনবা অমদি মরম লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌদনবা মন্ত্রালয়না খঙহল্লি।

মন্ত্রালয়না থোকপা এদভাইজরি অমগী মতুং ইন্না-ইরানদা লৈরিবা ভারত মচা অমনা করিগুম্বা ইরান মনুংদা চৎথোক চৎশিন তৌনিংলবা অমদি ঙমখৈ লান্না চৎপগী তঙাইফদবা লৈরবদি তেহরানদা লৈরিবা ভারত এম্বেসিদা মমাংজোননা খঙহনগদবনি।

অমরোমদা, ষ্ট্রেট ওফ হোরমসদা লাক্লিবা জহাসশিং অয়েৎ-অপন লৈতনা চৎহনবদা আমেরিকা অমদি ইরাননা চয়োল অনিগী মতম য়ান্নখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

বোম পোকখায়হন্দুনা চহি নৌরিবা অঙাং অনি হাৎখিবা থৌওং, মসিদা সরকারগী ৱাফম অমদি মীয়ামগী ইহৌগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

কুকি মিলিটেন্টশিংগী এট্টেক্তা অঙাং অনি শিরে, মমানা লায়কন্নরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী বেন্নর হেদলাইন তৌরে। সি.আর.পি.এফ. কেম্পতা থোমজিল্লুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী অনি শিরে, কয়া অমা শোকখ্রে হায়বসিনা সব হেদলাইন পীরি। পাউ অসিগী মনুংদা নেমচা কিপগেননা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অমসু ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-কুকি টেরোরিষ্টশিংগী খুৎতা থা মঙাগী অঙাং য়াওনা মচিন-মনাও শিরে, মমা শোক্লে হায়বসিনা বেন্নর হেদলাইন তৌরে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়মানা ইরাং হৌরকখি, সেক্যুরিতি ফোর্সকী খুৎতা মী অনি শিরে, ২০ লোম শোকখ্রে অমদি শিনা ওইরবসু পুথোক বা খঙহনখ্রে-সি.এম. হায়বশিং অসিনা সব হেদলাইন ওইনা পীরি। পাউচে অসিদা ফাগৎকে হায়রবদি চফু মনুংদগী ঙা ফাবগুম ফাবা য়াই হায়বা কংগ্রেসকী ৰাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লনাপাউদা-জিরি লম্বীদা চৎখিবা ওইল টেঙ্কর ১০৯, গ্যাস বুল্লেট ২২ য়াওবা অহাংবা ত্রক ৩৩৭ কৈমাইদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা থিংল্লকপদগী সি.আর.পি.এফনা মমায় লৈহল্লগা শান্তি খুনৌদা অহিং য়ারেকখ্রে হায়বা পাডসি অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউচে অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাকপু ঙাক্লিবা বি.এস.এফকী হলবিদার অমগী ইমুং মনিপুরদদি ঙাকপীনবা লৈরমেদ্র, মনিপুরগী লো এন্দ ওর্দর কদাইদা লৈখ্রবগে হায়বা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবীগী ৰাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদবা লৈঙাক অমা লৈবা পাঙ্খক ওইরে-ইবোবী হায়বা হেদলাইন অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউচে অসিদা উখ্রুলগী লৈঙাং চীংদা আর.এ.এফ পার্সোনেলশিংগা মুকবদা নুপী মঙা শোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুন থাদো ফেষ্টিবেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবগী পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-টেরোরিষ্টশিংদা মিলিটরি ক্রেক দাউন্দ তৌননবা কোকোমিনা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ত্রোংলাউবীগী বোম এট্টেককী কেস এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়না মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমস ২০২৬ তা লুপাগী তকমান ফংল্লক্লবি-কিয়ুচাংলিয়ু গাংমৈ ৱান স্তোপ সেন্টর-তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ওকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোং টাসমসতা-কুকি মিলিটেন্টশিং সুদদি লৈরি। অদুবু নাগা ভিলেজশিংদা এট্টেক চথুরকপা মতমদদি খুৎলায় অফবা পায়বা অসিগী মতাংদা য়ু.এন.সি. অমদি অন্সমনা ফোংদোরক্লি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।